# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি-অজয় তমতানা ঙসি ফেজোল জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিল্লগনি।

২) নুমিৎ মরিনি চথুগদবা ট্রাইবেল ফ্রেমস মণিপুর: নেসনেল ট্রাইবেল ফিলম ফেষ্টিভেল কম ষ্টেট লেবেল ট্রাইবেল কার্নিভেল ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌরগনি।

অমসুং

৩) দিল্লিগী বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা লৈখ্রিদবগী ইমুং মনুং অমদি অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদা ক্ষেতিপুরন পীরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা লাউথোকখ্রে।

------

মন্ত্রি (এল)ঃ কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি-অজয় তমতানা ঙসি ফেজোল জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিল্লগনি।

নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা মণিপুরদা ঙরাং লাকখিবা শ্রী আজয় তমতানা ঙসি ফেরজোল জিলাগী পারবুংদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা চৎকনি। লোয়ননা তাইথু খুলদা লৈবা আগরবতি মেন্যুফেকচরিং য়ুনিত অমদি মফম অদুদা লৈবা ক্বা মরু, লফোই অমদি কোমলাগী ফার্ম তৌরিবশিং য়েংশিনগনি

হায়রি। ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাতরদগী হন্দ্রিঙৈদা মন্ত্রিনা তাইথু খুল অমদি জোলিয়নসুও শমবা লম্বীদা পায়খৎলিবা পি.এম.জে.এস.ৱাইগী থবকসু য়েংশিনগনি। তুংদা শ্রী তমতানা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নরবা য়াই হায়রি। লোয়ননা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা পাঙথোকপা মীফম অমদসু শরুক য়াগনি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফোরেষ্ট বিভাগকা লোয়ননা উখ্রুল জিলাদাএকর ৯ লোমদা থারম্বা পোপি পান্বীশিং য়াস্থুৎতুনা মাংহনখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- জিলা অসিগী মনুং চন্না লিতান পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মুলাম হিল রেঞ্জ অমদি সোংফেল ভিলেজ হিল রেঞ্জগী একর ৯ লোম পাক চাউবা মফমদা পোপী পান্বী পাক শন্না থারে হায়বা পাউ তাবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফোরেষ্ট বিভাগ অমদি একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা পোপি পান্বীশিং অদু য়াস্থুৎতুনা মাংহনখিবনি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমদি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানব মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চথুরি হায়রি। মফম কয়াদা চ্যেক পোইন্টশিং হাংদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চথুরি। মসিগা লোয়ননা আইন্না থিংখ্রবা তোঙান তোঙানবা খুৎলায় পায়বা লুপশিংগী মীওইশিং ফাবগী থবকসু চথুরি হায়রি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখাতানা হায়- জিরিবাম জিলাগী দিবোং সনাখোং হায়রিবা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফম অসিদা লৈবা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী এক্তিভ কাদরনি হায়বা মীওই অনি ফারে হায়রি। লুপ অসিগী মশানা মশাবু লেন্স কোর্পোরেলনি হায়বা বিষ্ণুপুর জিলাগী থিনুংগৈ অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমসু য়াইরিপোক ককময়াই মনিং লৈকাইদগী পুলিসনা ফারে। আইন্না থিংখ্রবা প্রিপাক (প্রে)গী মশানা মশাবু সারজন্ট মেজরনি হায়বা মীওই অমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাইজিন থোঙামদগী ফারে হায়রি।

ট্রাইবেল (এল)ঃ  নুমিৎ মরিনি চংখগদবা ট্রাইবেল ফ্রেমস মণিপুর: নেসনেল ট্রাইবেল ফিলম ফেষ্টিভেল কম ষ্টেট লেবেল ট্রাইবেল কার্নিভেল ঙসিদগী সিতি কনভেন্সন সেন্তর অমদি মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিদা হৌরগনি। কেন্দ্র সরকারগী জন জাতিয়া গৌরব ভর্সকা মরী লৈননা ট্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা ট্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলস বিভাগ অমদি এম.এস.এফ.দি.এসকা খুৎশমদুনা পাঙথোক্কদবা ট্রাইবেল ফেষ্টিভেল অসি রাজ্যগী চীফ সেক্রেরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা হৌদোক্কনি।

ফেষ্টিভেল অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা কোম য়ুনিয়ন মণিপুর কলচরেল ক্রুপনা কোম নাৎকী ওইবা জগোই উৎকনি। লোংঙা কোইরেং ভিলেজ কলচরেল ক্রুপনা কোইরেং য়ুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুরগা লোয়ননা ফুরুপ অসিগী নাৎকী ওইবা জগোই উৎকনি। মসিগীসু মথক্তা পুরুম ট্রাইবেল কলচরেল ক্রুপ, মহাবলি কবুই খুলগী সোসিও কলচরেল এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না মাগী মাগী ফুরুপকী ওইবা জগোইশিংসু উৎকনি।

নুমিদাংগী মতমদা ট্রাইবেলগী তোঙান তোঙানবা মশক নাইবা শৈশকপশিংনা ঈশৈ শক্কনি। লোয়ননা এম.এস.এফ.দি.এসতা মিজো লোলগী ফিলম- মি: বো (মিসিং পার্সন) হায়না মীংথোনবা ফিলম অসি উৎকনি।

থৌবাল (এল)ঃ  থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা লমদিং মনিং লৈকাইদা লৈবা কেন্নেলদা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা লৈরক্লে। থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অদুদা অশিবা হকচাং অমা লৈরে হায়বসি ঙরাং নুমিদাং খঙলকখিবনি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মীওই অদু নুমিৎ খরনিগী মমাংদা শিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি। মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রিবা মীওই অদু অমুবা মচুগী খোঙগ্রাউ জিন্স অমা শেৎলি, অমুবা মচুগী খুদাং অশাংবা ফুরিৎ অমা লিৎলি, চাউরাকা চহি ৩০ রোমগী লোঙ্গা ওইরম্বা য়াই হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলবা তুংদা ফোরেন্সিক এক্সপার্টকা লোয়ননা মফম অদুদগী লৌখৎলগাা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে হায়রি।

রেখা গুপ্ত ঃ দিল্লিগী বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা লৈখ্রিদবগী ইমুং মনুং অমদি অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদা ক্ষেতিপুরন পীরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা লাউথোকখ্রে। মহাকা হায়- লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০-১০ পীরগনি লোয়ননা থৌদোক অদুদা কা হেন্না শোকপদগী হকচাংগী ফিভম মীমান্নহনখিদ্রবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ৫-৫ অমদি অতোপ্পা অশোকপশিংদনা লুপা লাখ ২-২ পীরগনি। মসিগীসু মথক্তা হৌজিক হৌজিক লায়েং চথুরিবা অশোকপা মীওইশিংদা সরকারনা পীবা য়াবা অফবা মখলগী লায়েং পীগনি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- দিল্লিদা থোকখিবা কারদা বোম পোকখায়খিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং লেমা থারোই। চেন্নবা খুদিংমক থিগৎতুনা চপ চাবা চৈরাক ফংহনগনি।

ভুটানগী হান্নগী নিংথৌ জিগমে সিংয়ে ৱাংচুক্কী ৭০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লৈবাক অদুগী কোনুংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী মোদিনা হায়- লাইবক থিবা দিল্লিগী থৌদোক অদুদা মীওই ৮ লৈখিদে অমদি কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখি। অৱাবা নংলবা ইমুংশিংগী চৈনা অদু মহাকসু খঙই অমসুং লৈবাক অসিনা মখোয়গীদমক লেপলি। শ্রী মোদিনা হায়- থৌদোক অদু থিজিল্লিবা এজেন্সিশিংগা পাউ ফাওনরি।

তুংদা ভুতানগী নিংথৌ য়াওনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভুতান মচা লিশিং কয়াগা লোয়ননা চংলি মীতাল ষ্টেদিয়মদা দিল্লিগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। ভুতানগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- চহি চা কয়াদগী ভারত অমসুং ভুটানগী মরী অসি য়ামা চেৎপা, অফবা অমসুং কলচরগী ওইবা মরী থমদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- মরুওইরবা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা অসি ভারত অমসুং মহাক মশাগী ওইবা অচেৎপা ফিরেপনি।

অমরোমদা, ভুতানগী ঙমখৈদা লৈবা গেলেফুদা ইন্তিগ্রেতেদ ইম্মিগ্রেসন চ্যেক পোইন্ট অমা হাংদোকবা থৌরাং তৌরি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মসিনা লৈবাক অনিগী মীয়ামা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

বিহারঃ বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্তা চাদা ৬৮,৭৬ রোমগী চাংদা ভোট থাদনখ্রে। অহানবা তাঙ্কক অমদি অনিসুবা তাঙ্কক প্ল্লগা হন্দক্কী মীখল অসিদা পুন্না ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৬৬.৯১ ওইদুনা ইং ১৯৫১ গী মতুংদা খ্বাইদগী য়ামা ভোৎ থাদবা হন্দক্কী মীখল অসিনা ওইরে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন অসি কেন্দ্র রোড ত্রান্সপোর্টকী রাজ্য মন্ত্রিনা চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে।

তমেংলোংদা ফোংবা দ গানফিউ মেলদা- সেটেলাই ত্রান্সমিতর হাপ্পা অমুর ফালকোন উচেক অহুম তমেংলোংগী চিউলুৱান খুলদগী থাদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মরিসুবা ষ্টেট লেবেল বরাক ফেষ্টিভেল ২০২৫ গীদমক শেম শাবগী থবক কন্না চখরি হায়বা পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংবা থেংনরে।

কেন্দ্রগী বি.জে.পিগী লুচিংবশিং নবেম্বর ১৬ তা লাক্লগনি, রাজ্য সরকার শেন্নবা য়ারি হায়না তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

দিল্লি কার বোম ব্লাষ্ট এটেক চখবদা চেন্নবা খুদিংমক থিরগা ফানবা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা এজেন্সিশিংদা খঙহনখ্রে হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাংদা ফোংবা থেংনরে।

অনিরক শুবা ওইনা থাদৌ ইনপীগা সি.এস.ওশিংগা তংদু লৈতাবা পুরকবা পোরম য়াৎখ্রে, কোকোমি, ফোক্স, অমুকো, অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীহুৎ ২০ লোম শরুক য়াখি হায়না সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন পীরি।

মণিপুরগী পোখোকশিং মালেমগী কৈথেলদা ফিদা ফংলগনি, মপান লমগী বাইয়র মরিগা এম.ও.য়ু খুৎয়েক পীনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি পোকফমদনা জপানদগী য়াওনা বাইয়র মরিনা লুপা কোতি ৪ গা লাখ ৯ গী ইয়োং ফি হেন্দিক্রাফটকী পোৎলমশিং লৈগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

------